# টেরর এটেকশিং থৌরাং তৌবগী কেসতা এন আই এনা জৈইস–ই–মোহমেদকী ওপরেটিব ৪ মরান শীখ্রে



*ন্যু দিল্লি , ফেব্রুৱরি ১২(এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা টেরর এটেকশিং চখনবগী অরোনবা থৌরাং তৌবগী কেস অমদা এন্টি–টেরর এজেন্সি এন আই এনা ঙসি য়ুমশৌকেশা নুমিৎতা পুলৱামা এটেক মাষ্টরমাইন্দগী জৈইস–ই–মোহমেদ (জে ই এম) ওপরেটিব ৪গী মথক্তা চার্জসিট অমা থাঙ্গৎখ্রে।

পুলৱামা এটেক মাষ্টরমাইন্দ মুদাসির অহমদ খানগী নক্কবা তেংবাংবা অমা ওইরিবা জে ই এমগী সাজাদ অহমদ খাননা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা টেরর এটেকশিং চখনবগী অরোনবা থৌরাং তৌখি হায়না হৌখিবা সেপটেম্বরদা নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ)না চার্জসিট অমা থাঙ্গৎখি।

চার্জসিট অদু ইন্দিয়ান পেনাল কোদ (আই পি সি)গী সেক্সন ১২০–বি (ক্রিমিনেল কনস্পিরেসি অমসুং ১২১–এ (ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা লালহৌবা, নৎত্রগা লান হৌনবা হোৎনবা নৎত্রগা লান হৌনবা ইশিনবা) অমসুং অকনবা অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্ট (য়ু এ পি এ)গী তোঙান তোঙানবা সেক্সন কয়া অমসুং এক্সপ্লোসিবস সবষ্টেন্সেস এক্টকী সেক্সনশিংগী মখাদা জে ই এম টেরোরিষ্ট ৪গী মথক্তঃ থাঙ্গৎখিবনি।

এজেন্সি অসিনা চার্জসিট থাঙ্গৎখিবা মীওইশিং অদুদি সাজাদ অহমদ খান (২৭), বিলাল অহমদ মির (২৩), ইশফক অহমদ ভত (২৪) অমসুং মেহরাজ–উদ –দিন চোপান (২২)নি। মখোয় লোয়নমক জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পুলৱামাদা লৈবা মীওইশিংনি।

অরোনবা থৌরাং অসিগী ৱাখল পুথোক্লিবা মরুওইবা মীশক অদু হাৎখ্রবা টেরোরিষ্ট মুদাসির অহমদ খাননি। মহাক পুলৱামা টেরর এটেককী মরুওইবা কনস্পিরেটরশিংগী মনুংদগী অমনি অমসুং পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টকী ট্রাল এরিয়াদা পুলিস অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা হৌখিবা চহীগী মার্চ ১০দা খূৎ থোক্লবদা হাৎখ্রে হায়না নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সিনা হায়খি।

মার্চ ২০১৯দা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খূৎ থোক্লবদা মুদাসির অহমদ খানবু হাৎখ্রবগী তুংদা মহাক্কী মথক্তা মরানশিং অসি শীরকখিবনি হায়না এন আই এনা ফাইনেল রিপোর্টতা ফোঙদোক্লি।

এজেন্সি অসিগী মতুং ইন্না জে ই এমগী শাজাদ অহমদ খাননা মাষ্টরমাইন্দ মুদাসির অহমদ খানগা হকথেংননা শন্নে, অদুগা ইশফক অহমদ ভতনা কাশ্মিরদা জে ই এম মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক খূৎশু–খুৎলাইশিং পুথোক–পুশিন তৌই অমসুং মদুদ নত্তনা জে ই এমগী ওপরেটিবশিংবু চংজফম পী।

মেহরাজ–উদ–দিন চোপানদগী হেন্দ গ্রেনেদ অমা ফংখি অমসুং মদু জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদগী খূৎলাইশিং মুন্নবগীদমক সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অদুদা শিজিন্নবগীনি।

কেস অসি দিল্লি এন সি আর (নেসনেল কেপিটেল রিজন) য়াওনা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা টেরর এটেকশিং চখনবগীদমক জে ই এমগী সেনিয়ার কম্মান্দরশিংনা চথখিবা ক্রিমিনেল কনস্পিরেসি অমগী মতাংদনি।

# মীখলগী ফল ফজদবদগী দিল্লি বি জে পি চীফ ফম থাদোক্লগনি

*ন্যু দিল্লি , ফেব্রুৱরি ১২(এজেন্সি)ঃ*

হন্দক পাংথোকখিবা দিল্লি এসেমব্লি মীখলগী ফলদা বি জে পিনা য়াল্লা সোথখিবা অদুগী মতাংদা দিল্লি বি জে পিগী চীফ মনোজ তিৱারিনা ফম থাদোক্লবা ফিরেপ লৌখ্রে। অদুবু মদু তৌনবগী মথৌ তাবা লৈতে হায়খ্রে হায়না ফোঙদোক্লরি।



এসেমব্লি মীখল অদুদা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী আম আদমি পার্টি (এ এ পি)না পাক্তননা মায় পাকখ্রগা বি জে পিনা দিল্লিগী সিট ৭০গী মনুংদগী সুপ্নগী ৮ খক ফংবা ঙমখিবনি।

অদুবু ২০১৬দা দিল্লিদা পার্টিগী থবক শিন্নখিবা ভোজপুরি সিঙ্গিং ষ্টার ওইরম্বদগী পোলিটিসিয়ান ওল্লকখ্রবা অসিনা ফম অদুদা মতম হেন্না শাংনা লৈরদবা য়াই। লিখুন কয়ামরুমনা ফোঙদোকপদা বি জে পিনা মহাকপু শিন্দোক্লগনি হায়রি, অদুবু মদু দিল্লি ইলেক্সনগী মরমদগী য়ৈথোকখিবা ওর্গনাইজেসনেল ইলেক্সনশিংগী মতুং খক্তদা ওইগনি হায়রি।

ওর্গনাইজেসনগী মীখলশিং অদু থা ১নৎত্রগা ২গী মনুংদা পাংথোক্লবা য়াই। বি জে পিনা মিষ্টর টিৱারিগী থবক্তা নিংবা কায়রমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। পুর্বাঞ্চলিনা মরুওইবা মরম ওইরগা মহাকপু দিল্লি য়ুনিটকী চীফ খনখিবনি অদুবু মহাক্না পুর্বাঞ্চলি ভোটরশিং নিংথিজনা খোমজিনবা ঙমখিদ্রে হায়না খল্লি।

এ এ পিনা য়ামদ্রবদা ভোট ৮৮০০ ফংখিবা বুরারিগুম্বা পুর্বাঞ্চলি মশীং য়াল্লা লৈবা কনষ্টিট্যুয়েন্সিশিংদা মনোজ তিৱারিনা অওনবা অমত্তা পুরকপা ঙমখিদ্রে হায়না পার্টিনা হায়রি।

দিল্লি মীখলগী কেম্পেন অদুদা মহাক্না ঙাংখিবা ৱাফম পুন্নমক নুমিৎ খুদিংগী নোক্লনবগী মচাক ওইখি। এ এ পিনা বি জে পি লিদর অদুবু মহাক্কী ঈশৈশিং শিজিন্নদুনা করেন্নখি।

মনোজ তিৱারিনা ২০১৩দা বি জে পিদা য়াওরকখি অমসুং থুনমক অচৌবা ফমশিং পাইরকখি। মহাক্না দিল্লিদগী ২০১৪গী মীখল থেংনখি অমসুং মায় পাকখি। মদুগী চহী ২গী মনুংদা মহাকপু দিল্লি বি জে পি চীফ হাপখিবনি।

মতম অদুদা বিজয় গোয়েল অমসুং রামেশ বিধুরিগুম্বা কোনুং অসিদা লৈরিবা অতৈ লুচিংবশিংগী মরক্তা য়াল্লা পেন্নখিদে।

# য়ুমদা ইমুংগী মীওই ৫গী পুমথরবা হকচাং ফংখ্রে

*ন্যু দিল্লি , ফেব্রুৱরি ১২(এজেন্সি)ঃ*

মতৈ–মনাও অমা অমসুং মখোয়গী মচা ৩ দিল্লিদা মখোয়গী য়ুম মনুংদা শিনা লৈরম্বা থেংনরে হায়না পুলিসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

অহানবগী ইনভেষ্টিগেসনশিংনা মদু শেন–থুমগী খুদোঙথিবগী মরমদগী মর্দর–সুইসাইদ অমা ওইবা য়াই হায়না ফোঙদোক্লি।

মীওই ৫ শিখিবা অদু মী চিল্লবা ভজনপুরদা লৈবা য়ুম অমদা নুমিৎ ৪নৎত্রগা ৫নিগী মমাঙদা থোকখিবা ওইগনি। হকচাং ৫ অদু পুমথবা হৌরপ্লে।

অকনবা মনম নমথিবা লাকপদগী য়ুম্লোনবশিংনা অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তাবদা পুলিস কৌরকখি। পুলিস লাকপদা য়ুম অদু মনুংদগী থোঙ লোনশিলম্মি অমসুং থুগাইরগা য়ুম অদুগী মনুংদা চংখি।

ঈ–রিক্সো ড্রাইভর অমা ওইবা সম্বু কৌবা মীওই অদুনা মহাক্কী লোয়নবি নুপী সুনিতা (৩৮)গা লোয়ননা থা ৬কী মমাঙদা অৱাং নোংপোক দিল্লিগী ভজনপুরদা লৈবা য়ুম অদুদা লৈরকখিবনি। মখোয়গী চহী ১৬ শুরবী মচানুপী অমা অমসুং চহী ১২ অমসুং ১৪ শুরবা মচানুপা অনী লৈ।

# হান্নগী অরুনাচল সি এমগী মচানুপা য়ু কে এপার্টমেন্টতা শিনা ফংলে

*ইতানগর, ফেব্রুৱরি ১২(এজেন্সি)ঃ*

অরুনাচল প্রদেশকী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর কালিখো পুলগী মচানুপা সুভানসো পুল য়ু কেগী সক্সেসকী ব্রাইটনদা মহাক্কী এপার্টমেন্টতা চিংনিঙাই ওইবা মওংদা শিরগা লৈরম্বা থেংনরে হায়না ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইমুং–মনুংগী লিখুলশিংনা ফোঙদোক্লকখ্রে।

শিনা ফংলিবা সুভানসো পুল হায়রিবসি হান্নগী চীফ মিনিষ্টর পুলগী অহানবা নুপী দাংৱিমসাই পুলগী মচানি। পুল ফেমিলিনা য়ু কেদা ইন্দিয়ান হায় কমিসনগা পাউ ফাওননবা হোৎনরি।

কালিখো পুলনা ২০১৬দা অতেনবা মতম অমা ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইখি। কোংগ্রেস অমসুং ওপোজিসন বি জে পিগী এম এল এ খরখক শৌগৎপগা লোয়ননা কারিখো পুলনা চীফ মিনিষ্টরগী ফম অদু পায়খি। অদুম ওইনমক সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা মরম কয়ামুক পীদুনা মহাকপু চীফ মিনিষ্টর হাপ্পগী মায়োক্তা ৱায়েল তাখি।

আগষ্ট ৯, ২০১৬দা কালিখো পুলনা ইতানগরদা লৈবা মহাক্কী ওফিসিয়েল রেসিদেন্সতা মশামক থৌরি য়ান্দুনা শিখি।

# রেপকেসতা চেন্নবা মীওই ১না নুপীমচা অদুগী মপা হাৎখ্রে



*লক্ষ্ণৌ, ফেব্রুৱরি ১২(এজেন্সি)ঃ*

লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মীশিং য়াম্বা ষ্টেটতা পোলিসশিংগী মতাংদা ৱাহংশিং হংনিঙাই ওইবা খ্বাইদগী নৌবা থৌদোক্তা উত্তর প্রদেশকী ফিরোজাবাদতা মচানুপী চহী ১৫দা ঙাইহরিবী অমবু রেপ তৌখিবগী মরান শীরিবা মীওই অদুনা নুপীমচা অদুগী মপা অদু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে।

পুলিসকী মতুং ইন্না নুপীমচা অদুগী মপানা ময়ুমদা হল্লকপদা ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা রেপতা চেন্নরিবা [illegible] উপধ্যায় কৌবা মীওই অদুনা [illegible]না কাপখি অমসুং মফমদুদা শিখি।

উপধ্যায় হায়রিবা মীওই অদুনা নুপীমচা অদুগী ইমুং–মনুংবু রেপ কেস অদুবু হন্দোক্তুবদি হাৎকনি হায়না কিহনখি হায়না মফমদুগী পাউমীশিংদা ইমুং–মনুংগী মীওইশিংনা হায়খি।

হৌখিবা চহীগী আগষ্টতা আচমন উপধ্যায়না ১১ শুবা ক্লাসকী মহৈরোই অমা ওইরিবী নুপীমচা অদুবু রেপ তৌখি অদুবু হৌজিক ফাওবা ফাদ্রি। কোর্ট ওর্দরশিংদগী মহাক্কী মরন–মথুম সিজ তৌখ্রে। অদুবু উপধ্যায়না মহাক্কী মথক্তা লৈবা কেস অদু হন্দোক্লবা নুপীদুগী ইমুং মনুংদা হন্ন–হন্না কিহনখি। হৌখিবা চয়োলদা কেস অদু মখোয়না হন্দোক্তবা তারবদি নুমিৎ ৫নিগী মনুংদা ইমুংগী মীওই অমা হাৎকনি হায়না মহাক্না ইমুংগী মীওইশিংদা হায়খি।

মখোয়না ৱাফম অদু পুলিসতা পাউ পীখি অদুবু থবক অমত্তা লৌখৎলকখিদে হায়না মখোয়না নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিস ওফিসার ৩ থবক্তগী সসপেন্দ তৌখ্রে। অহানবগী থিগৎপদা মফমদুগী পুলিস পোষ্ট অদুগী ষ্টেসন ইন–চার্জ পুবা ২ অমসুং ইন–চার্জ ১ পুন্না পুলিসমেন ৩ মথৌ থৌশাদবগী মরান ফংলে হায়না সেনিয়ার পুলিস ওফিসার সতিস গনেসনা পাউগী এজেন্সিদা হায়খি।

মীওই অদু ফানবা পুলিস টিম ৫ শেমখ্রে অমসুং মহাক ফাবা ঙম্বা ঈ–পাউ পীরকপদা লুপা ৫০,০০০গী মনা পীগনি হায়না লাওথোকখ্রে।

# এপ্রিল ১দগী মেদিকেল দিভাইস পুন্নমক দ্রগ ওইনা লৌরগনি ঃ গভর্ণমেন্ট

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱরি ১২(এজেন্সি)ঃ*

মীওইবা নৎত্রগা শাদা মেদিকেল্লগী ওইনা শিজিনন্নবগীদমক শাবা ইমপ্লান্টশিংদগী হৌরগা সোফৱায়ার ফাওবগী পোখোকশিংবু দ্রগস এন্দ কোস্মেটিক্স এক্ট, ১৯৪০গী মখাদা কোন্সিন্দুনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মেদিকেল দিভাইস পুন্নমকপু দ্রগ ওইনা লৌননবা নোটিস তৌখ্রে।

খোঙথাং অসিনা সেফটি অমসুং ইফিকেপসি লৈহন্নবগী রিগুলেসনগী থবক পাকথোক চাওথোকহনবতা নত্তনা দ্রগস প্রাইস কন্ট্রোল ওর্দর (দি পি সি ও)গী মখাদা মমলশিং রিগুলেসন তৌনবগী লম্বী অদুসু ফাৎলগনি। মসি থুগাইবা কম্পেনিশিংবু লো কোর্ট অমদা চৈরাক পীবা য়াহল্লগনি।

হৌজিক সুপ্পগী মেদিকেল দিভাইস ৩৭ খক্তমক দ্রগ ওইনা নোটিফাই তৌই। লৈবাক অসিদা মেদিকেল দিভাইস অমা শাবা, ইম্পোর্ট তৌবা অমসুং য়োনবদা হৌজিক কম্পেনিশিংনা দ্রগ কন্ট্রোলর অদুদগী অয়াবা লৌবা মথৌ তারগনি।

খোংথাং অসি তারান্না ওক্লবসু কঞ্জুমর গ্রুপশিংনা সেন্ট্রেল দ্রগস কন্ট্রোল ওর্গনাইজেসন (সি দি এস সি ও)শিংগী মতিকচাবা অমসুং হৈশিংবদা চিংনবা লৈরি। অনাবশিংগী সেফটিগা মরী লৈনবা মপুং ফাবা রিফোর্মস মথৌ তাই হায়না ওল ইন্দিয়া দ্রগ এক্সন নেটৱার্ককী মালিনি আইওসোলানা হায়রি।

# মী ১,১১০ হাৎখ্রবা ভাইরস টেরোরিষ্ট এটেকতগী হেন্না শাথিঃ দব্লিয়ু ঐচ ও

*বৈজিং /জিনেভা, ফেব্রুৱরি ১২(এজেন্সি)ঃ*



কোরোনাভাইরস লাইচৎকী হৌরকফম হুবৈ প্রোভিন্সতা নৌনা মীওই ৯৪ অমগা শিখ্রবা তুংদা অনৌবা কোরোনাভাইরস লাইচৎ অসিনা চিনাদা ঙসি য়ুমশৌকেশা নুমিৎ ফাওবদা শিখিবা মীগী মশীং ১,১১০ য়ৌখ্রে।

ভাইরস অসিবু কোরোনাভাইরস দিজিজ ২০১৯ হায়বসিগী অশম্বী ওইনা লম অমত্তগা পকশিন্নদনা সি ও ভি আই দি–১৯ হায়বা মমিং অসি থোনখ্রে হায়না ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)গী দাইরেক্টর জেনরেলনা হায়খ্রে।

অনৌবা লাইচৎ অসিনা হৌজিক ফাওবদা চিনাদা য়াল্লবা মশীংদা মীওই ১,১১০ শিখিবা অসিদা ভাইরস অসিবু টেরোরিষ্ট এটেক পুন্নমক্তগী হেন্না শাথিবা অমনি হায়না মালেমগী হকশেলগী লূপ অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

চিনাগী ময়াই থংবা প্রোভিন্স হুবৈগী কোনুং ৱুহানদা ২০১৯গী দিসেম্বর থাদা অহানবা থোক্লকখিবা কোরোনাভাইরস লাইচৎ অসিনা মীওই ১,৬৩৮ অমগসু নৌনা নারে হায়না হুবৈগী হেল্‌ঠ কমিসননা ফোঙদোকখ্রে।

মসি থারগা চিনাদা লাইচৎ অসি নারে হায়না চপ চাননা খঙলবা অনাবা মীগী মশীং ৪৪,২০০ হেনখ্রে।

জিনেভাদা পাংথোকপা কনফরেন্স অমদা ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসনননা ভাইরস অসিবু ওফিসিয়েল ওইনা সি ও ভি আই দি –১৯ হায়না মমিং থোনখ্রে।

লাইচৎ অসিনা নাবগী চাদা ৯৯দি চিনাদা ওইরবসু মসি মালেমগী অতৈ মফমশিংদা শন্দোক্লকপা য়াবা য়াল্লা তমথিবা অমা ওইরি হায়না ঐচ দব্লিয়ু ওগী দাইরেক্টর জেনরেল টেড্রোস অধানোম ঘেব্রিয়েসসনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

কোরোনাভাইরসপু পব্লিক এনিমি নম্বর ৱাননি হায়না মলেমনা শোয়দনমক খঙজিনগদবনি হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওনা হায়খি।

লাইচৎ অসিনা চাওনা খুদোঙথিবা থোকহনবা য়াবা, মালেমগী লৈবাকশিংদা, মরুওইনা হকশেল কাঙলোনশিং শোনবা য়ামদ্রবদা লৈবাক ৩০দা ভাইরস অসি লাক্লিনবা অমসুং দিটেক তৌনবা খোঙথাংশিং কনখৎহন্নবা ঘেব্রিয়েসসনা আপিল তৌখ্রে।

লাইচৎ অসিনা নাবগী চাদা ৯৯ চিনাদা থোকপগা লোয়ননা মসি লৈবাক অদুগীদমক য়ান্নমক ইমজেন্সি অমা ওইরি। অদুবু মসি মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংগীদমক য়াল্লা শাথিনা লুবা অকিবা অমা ওইরি হায়না মেনলেন্দ চিনা অমসুং টাইৱানদগী ভিদিও কনফরেন্সকী খূৎথাংদা শরুক য়াবা খরা য়াওনা রিছার্চর অমসুং নেসনেল ওথোরিটিজ ৪০০ হেনবদা মহাক্না হায়খি।

# টেরর ফাইনান্সশিংগী কেসশিংদা হাফিজ শায়ীদ জেলদা চহী ৫গী চৈরাক ফংখ্রে

*ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱরি ১২(এজেন্সি)ঃ*

মী ১৬৬ হাৎখিবা ২০০৮ ২৬/১১ মুম্বাই টেরর এটেক মাষ্টরমাইন্দ হাফিজ শায়ীদপু টেরর ফাইনান্সিং কেসশিংদা পাকিস্থান কোর্ট অমনা কনভিক্সন পীখ্রে অমসুং চহী ৫গী চৈরাক্কীদমক জেলদা থাজিনখ্রে হায়রি।

টেরর লুপ লাস্কর–ই–টাইবাগী ফাউন্দর অমসুং জম্মাত–উদ–দৱাগী চীফ হাফিজ শায়ীদপু টেরর ফাইনান্সিং কেস অনীদা চৈরাক পীখ্রে হায়না পি টি আইনা হায়রি।

এন্টি–টেরোরিজম কোর্ট অমনা মহাকপু চহী ৫ থা ৬কী চৈরাক পীখি অমসুং কেস অমমদা লুপা ১৫,০০০গী ফাইন অমসু কোংহনখি। কেস অনীমক অদুগী জেলগী চৈরাকশিং অদু পুন্না মতম অমত্তদা পাগনি। হাফিজ শায়ীদপু আইননা থিংখ্রবা টেরর লূপ অমগী মীওই ওইবা অমসুং আইন কায়না মরন মথুম লেপশিনবগী মরান ফংখি হায়না মহাক্কী উকিল ইমরান গিলনা পাউগী এজেন্সিদা হায়খি।

# রসিয়ান সেটিলাইট ২না য়ু এস স্পাই সেটিলাইটকী মতুং ইন্নরি ঃ ৱাসিংটন



*মোস্কো, ফেব্রুৱরি ১২(এজেন্সি)ঃ*

য়ু এসকী স্পাই সেটিলাইট অমবু অকায়বা থোকহন্নিঙাই ওইবা মওং অমদা রসিয়াগী সেটিলাইট ২না মতুং ইন্নরি হায়না ৱাসিংটননা মরান শীখ্রে। মদুগী পাউখুমদা ঙরাং লৈবাকাপোকপা নুমিৎতা মোস্কোগী নাকন্দগী চেকশিনবা পাউখুম অমা পীখ্রে।

রসিয়াগী দিপুটি ফোরেন মিনিষ্টর সেৰ্গৈ রিয়াবকোপনা সেটিলাইটশিং অদুগী মতাংদা ৱাসিংটনদগী মেসেজ অমা মহাক্না ফংলে হায়বগা লোয়ননা মদু নৈনরবা তুংদা মোস্কোনা পাউখুম পীগনি হায়না মখা তাখি।


স্পেসতা অসিগুম্বা ওবজেকশিংগী চখোক–চৎশিনগী মওংগী মতাংদা মসিগী মওংশিং অসি লৈবাক কয়ানসু তৌই হায়না মহাক্কী ৱারোল পল্লদুনা রসিয়াগী প্রেস এজেন্সিশিংনা হায়খি।

য়ু এস মিলিটরিগী অনৌবা স্পেস ফোর্সকী মকোক জেনরেল জোন রেমন্দনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙখিবা টাইম মেগাজিনগা উন্নখিবা অমদা রসিয়ান স্পেসক্রাফ অদুনা য়ু এসকী স্পাই সেটিলাইট অদুদা কিলোমিটর ১৬০ য়ৌনা নক্লিনা চংশিল্লকপা হৌখি হায়খি।

# হাংদোকখিবা মতুংদগী করটারপুরদা ইন্দিয়ান পিলগ্রিম ৪৫,০০০ রোম চৎখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱরি ১২(এজেন্সি)ঃ*

পাকিষ্টানদা লৈরিবা করতারপুর গুরদ্বরা অদু য়ৌবা ফাওবগী লম্বী–কোরিদর অদু নবেম্বর ২০১৯দা হাংদোকখিবা মতুংদগী সিখিজম লিংখৎখিবা গুরু নানক দেবগী অরোইবা য়াহিপফম শ্রী করতারপুর সাহিব গুরদ্বার হায়রিবা পাকিষ্টানদা লৈরিবা লাইশঙ অদুদা খুরুম্লুনবগীদমক কারতারপুর কোরিদর অদু ফাওদুনা পুন্না ইন্দিয়ান পিলগ্রিম ৪৪,৯৫১ চৎখ্রে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লোক সভাদা ফোঙদোকখ্রে।



য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম জি কিসন রেদিনা চহীচুপ্পা লাই খুরুম্বা চৎপশিং কোন্না অমসুং নাননা চৎপা য়াহন্নবগীদমক শেমখিবা দেরা বাবা নানকতগী ইন্টরনেসনেল বাউন্দরি ফাওবগী লেন ৪ লৈবা নেসনেল হায়ৱে –৩৫৪ বি অমা অমসুং দেরাবাবা নানকতা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা ইন্টিগ্রেটেড পেসেঞ্জর টর্মিনেল বিল্ডিং অমা শাখ্রে হায়খি।

শ্রী করতারপুর শাহিবতা লাই খুরুম্নবগীদমক করতারপুর কোরিদরদা চৎতুনা নবেম্বর ৯, ২০১৯দগী জনুৱারি ৩১, ২০২০ ফাওবদা পুন্না পিলগ্রিম ৪৪৯৫১ চৎখ্রে হায়না ৱাহং অমগী অইবা পাউখুম অমদা মিনিষ্টরনা হায়খি।

ইম্মিগ্রেসন ওথোরিটিজনা পিলগ্রিমশিংগী পাসপোর্ট অদু ষ্টাম্প তৌদে অমসুং পিলগ্রিমশিংদা ফি নৎত্রগা চার্জ অমত্তা লৌরোইদবনি হায়না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টতা হন্ন–হন্না তক্লিন্দুনা লাক্লি হায়না মখা তানা মিষ্টর রেদ্দিনা হায়খি।

পাকিষ্টাননা করতারপুর সাহিবতা লাই খুরুম্বা লাকপা পিলগ্রিম খুদিংমক্তগী য়ু এস দোল্লর ২০ লৌরি।

# খূৎলাই থাদবগী কেসতা খালিষ্টান টেরোরিষ্ট ২দা নন–বেলেবল ৱারেন্ট থোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱরি ১২(এজেন্সি)ঃ*

পাকিষ্টানদগী পাইশিল্লকপা দ্রোনশিং শিজিন্নদুনা পঞ্জাবতা খূৎলাই অমসুং নোংমৈ মরু থাদবগী কেস অমগা মরী লৈননা পঞ্জাবকী মোহালিদা লৈবা স্পিসিয়েল এন আই এ কোর্ট অমনা খালিষ্টান জিন্দবাদ ফোর্সকী টেরোরিষ্ট ২গী মথক্তা নন–বেলেবল ৱারেন্টশিং থোকখ্রে হায়না ঙসি ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

নন–বেলেবল ৱারেন্টশিং অদু হৌজিক পাকিষ্টানদা লৈরিবা রঞ্জিত সিংহ নীতা অমসুং হৌজিক জর্মনিদা লৈরিবা পঞ্জাবকী হোসিয়ারপুরদগী গুরমীত সিংহ এলাইজ বগ্গাগী মথক্তা থোকখিবনি।

মখোয়গী মথক্তা লৈরিবা কেস অসি পাকিষ্টানদগী চংশিল্লকপা দ্রোনশিংনা পঞ্জাবকী চোলা শাহিবতা হৌখিবা চহীগী সেপটেম্বরদা খূৎশু–খূৎলাই, এক্সপ্লোসিব, ইন্দিয়াগী জালিনোট পৈশাশিং থাদখিবা অদুগা মরী লৈনবনি হায়রি।

| সনা–সুদোকু–৩৮৫ গী সোল্যুসন | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 3 | 9 | 6 | 1 | 8 | 5 | 7 | 2 |
| 6 | 7 | 2 | 5 | 4 | 3 | 1 | 8 | 9 |
| 1 | 5 | 8 | 2 | 9 | 7 | 6 | 3 | 4 |
| 8 | 1 | 4 | 3 | 5 | 2 | 7 | 9 | 6 |
| 3 | 2 | 7 | 9 | 6 | 1 | 4 | 5 | 8 |
| 9 | 6 | 5 | 7 | 8 | 4 | 3 | 2 | 1 |
| 5 | 4 | 3 | 1 | 2 | 9 | 8 | 6 | 7 |
| 7 | 9 | 1 | 8 | 3 | 6 | 2 | 4 | 5 |
| 2 | 8 | 6 | 4 | 7 | 5 | 9 | 1 | 3 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-386**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 7 | 4 | 5 | | | 1 | | |
| 8 | | 6 | | 1 | | | 7 | |
| 9 | | 5 | 3 | | | | | 6 |
| | 6 | | 1 | 5 | | | | 4 |
| | | 1 | | 7 | 6 | | | 3 |
| | 5 | | | | 4 | | | 7 |
| | | 7 | 4 | | | | | 1 |
| | | 9 | 7 | | | | 5 | |
| 1 | | 3 | | | | 7 | | |

## GAS TODAY

**Ericha Indane, Lilong**
Booking : 05/01/20
Valid : 06/12/19
Sk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.
First Come First Serve
Home delivery service available

**Bashikhong Indane**
Booking : 12/12/19
Valid : 05/12/19
Sk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.
First Come First Serve

**Misao Gas Service**
Booking : 11/01/20
Valid : 02/01/20
Stk- DBTl : 612
19kg available
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**Patsoi Indane Service**
Booking : 23/11/19
Valid : 14/11/19
Sl. No. : 110
Sk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Sawombung Indane Service**
Booking : 22/12/19
Valid : 08/12/19
Sk : 306
Time : 08.00 to 10.30 a.m.

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 06/12/19
Valid : 13/12/19
Sl. No. : 64800 to 65200
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Manipur Gas, Sangakpham**
Booking : 12/11/19
Valid : 09/11/19
Sk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.
First Come First Serve

**Khongnang Gas, Bishnupur**
Booking : 17/11/19
Valid : 12/11/19
Stk. : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Haran Vally, Kwakta**
Booking : 07/12/19
Valid : 03/12/19
Sk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Canchi Indane**
Booking : 24/12/19
Valid : 15/12/19
Sk : 612/ 5kg Available
Time : 08.00 to 10.00 a.m.
First Come First Serve

**GBD Indane Service, Lamlong**
Booking : 27/11/19
Valid : 16/11/19
Sk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.
First Come First Serve

**Khumbong Indane**
Booking : 12/12/19
Valid : 08/12/19
Sl. No. : 260
Sk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Hiyangthang Indane**
Booking : 28/11/19
Valid : 24/11/19
Sl. No. Up to : 216
Sk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**K & K Indane**
Booking : 23/12/19
Valid : 14/12/19
Sl. No. : 100
Sk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
First come First Serve

**Hrangchal Gas, Old Lambulane**
Booking : 10/01/20
Valid : 07/01/20
Sk : 576
First come First Serve

**Athokpam Indane**
Booking : 23/12/19
Valid : 09/12/19
Stk -CTC : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 11/12/19
Valid : 06/12/19
Sl. No. : 4351 to 5160
Sk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**M M Gas Service**
Booking : 07/12/19
Valid : 23/11/19
Stk- DBTL : 540
Time : 07.30 to 10.30 a.m.
First Come First Serve
Rate : Rs. 986.40